# ঈপাক্লা ঈ-রিক্সো থৌবী নুপীশিং অমসুং শম ককপা য়েলহৌমীশিংদা শকখঙচে অমসুং খুদোল পোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) :
ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ঈপাক) না ঈ-রিক্সো থৌদুনা হিংনবগীদমক শেন্দাল লন্বী ওইরিবী নুপী অমসুং য়েলহৌমী ওইরিবা নুপাশিংনা শম ককপগী লন্বীদা চঙশিল্লকপশিংবু শকখঙ চে পীদুনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা ঈপাক্কী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম সোমোরেন্দ্রোনা হায়, থা অসিগী ৭তা পাঙথোকখিবা ঈপাক্কী মপোক কুমওন থৌরমদা খুদোল তম্বদা অনা অয়েক য়াওরকপদগী লায়েংবা চৎখিবা অমদি ঈ রিক্সো থৌবী ওইবদগী হান্না ওর্দর লৌশিল্লুবনচিংবদগী লাকপা ঙমখিদবা মাইমোম ওংবী ভানু, থৌদাম বিজেতা অমদি চনম ইবেচা চনুদা ঙসি শকখঙ চেগা লোয়ননা শেল খরা য়াওনা খুদোল তম্বনি। মখোয়গী ইমুংগী চাকখুমদা শীজিন্ননবা পোৎলম খরসু খুদোল তম্বনি হায়খি।

লোয়ননা ঈপাকনা চঙশিল্লকপা সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ট ইন্দিজিনস কেম্প্যেনগী মনুং চন্না মীতোপনা থবক শুরকপশিংগী মনুংদা শম ককপগী শিনফম পায়দুনা য়েলহৌমীশিংনা চঙশিনবা হৌরক্লে। শিনফম অসিদা শেন্দাল লন্বী ওইরক্লবা ফুরিৎশাবম হেরোজিৎ, খোইরোম অরুন অমসুং চনম্বম সনাতোম্বদসু শিনফম অসিগী শিন্মী অমা ওইরকপগী ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা শেল খরা য়াওনা মখোয়গী শিনফমদা মথৌ তাবা কাটি, দিটোল, বোদি পাওদর অমসুং টাৱেলনচিংবা খুদোল তম্বনি হায়খি।

মরম অসিনা মণিপুরদা মীতোপ্পা মহুৎ শিন্দুনা শুরিবা থবকশিংসিদা য়েলহৌমী ওইরিবশিংনা মহুৎ শিঞ্জিল্লকপা হায়বসি পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। য়েলহৌমীশিংনা মহুৎ শিল্লক্কুনা শিন্মী ওইরকপা খরসু লৈরি। মখোয়শিং অদুদসু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা খুদোল তমখিগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ঈপাক্কী এদভাইজর অমসুং হাওমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনি, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দি ইবোতোম্বী খুমন অমদি অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট সোরাইসম সঞ্জিবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।



নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন, বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল য়ুথ ফেষ্টিবেল-য়ুব সমভদ ২০২২গী থৌরম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা মৈরা চুদুনা হৌদোকখিবা

# লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগী উ থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) :
লময়ানবা হিজম ইরাবতকী হয়েং পাঙথোক্কদবা ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা নোংমগী ওইবা সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) না শীন্দুনা হাফিজ হাট্টা অমসুং গোলাপতিগী মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট কোরিময়ূম বোবোয়না ফোঙদোকখিবদা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মণিপুরবু চাওখৎনবা অমদি কন্নবগীদমক থৱায় হকচাং য়াওনা থৌনা লিংজেল কয়া পুথোক্কুনা হোৎনরম্মী। খুন্নাই অসিবু লাইনীং লাইশোনগী খেন্নবা থমদনা মহাক্কী পুন্সি লৈবাক মীয়ামগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। লময়ানবা অসিনা মীৎয়েং শান্না য়েংদুনা থবক কয়া পায়খৎলম্মী। মরম অসিনা ঙসিগী মীরোলনা মহাক্লা পাল্লম্বা ৱাখল্লোন অমদি থবক থৌরমশিং ঐখোয় কূপ্না নৈনদুনা খুদুং ইন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

কাঙলূপ ফুরুপ নাইদনা মীয়ামগী লুচিংপুরেল অসিবু নীংশিংফম থোকই অমদি লূপশিংনসু লময়ানবা অসিগীদমক মতুং তারকপদসু থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকখিগনি হায়খি।

# ইম্ফাল তুরেল শেংদোকপা হৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* কাংপোকপী টাউন কম্মিটি (কে টি সী), কাংপোকপী ৱিমেন্স ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু ও) অমসুং কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন (কে ৱাই য়ু) নচিংবা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা পূন্না খূৎশম্নদুনা চথুখিবনি।

‘ক্লিনিং ওফ ইম্ফাল রিভর কেম্প্যেন’ হৌদোকপগী থৌরমদা ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. টিব্রজকুমারনা শরুক য়াখিবা কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসরদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কেম্প্যেন অসিগী পান্দমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল তুরেল মরীলবু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবনি হায়খি।

কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না কাংপোকপীদগীনা সেকমাই ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা তুরেল অসিগী পরিংবু ফেজ ৱানগী মখাদা শেংদোকপগী থবক চত্থগনি। লোয়ননা থা অমা চূপ্না চত্থগদবা কেম্প্যেন অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৱার্দ খুদিংমক্তা য়ূমথোঙ ৫০/৫০গী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা চত্থগনি হায়খি।

কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না য়ূমথোঙ খুদিংদা লৈবা দোমেষ্টিক ৱেষ্টশিং খোমজিনগনি অমসুং অমোৎ অকায়শিং য়ূমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা খোমজিনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদসু হায়রিবা থবক অসি কাংপোকপী টাউন কম্মিটিনা সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী সুপরভিজন মখাদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কেম্প্যেনগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট ইনভাইরনমেন্ট প্লানগী মখা পোনগনি হায়খি।

কাংপোকপী টাউন কম্মিটিগী চ্যেরমেন অঙম লৈভোননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু য়ানীংবা ফোঙদোক্লদুনা ইম্ফাল তুরেল মরীল শেংদোকপগী থবক অসিদা সোলিদ ৱেষ্টশিং খোমজিনবগী থবকসু য়াওগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ১৯দা ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা কাংপোকপী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কেঙ্গু জুরিংলা অমসুং ৱাটর রিসোর্সেস লোয়শঙ অমদি ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিরেক্টোরেটকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল তুরেল খক্তা নত্তনা মখান তুরেল অমসুং সেকমাই তুরেলগী তোর্ব্বানশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবনি।

# পুলিস ৩ য়াওনা মহৈরোয়শিং অশোক অপন য়াওরবা...

*লামায় ১গী মখা...* ইলেক্সন য়ৈথোকপগী মায়োক্তা হৌরকখিবা কোলেজশিংগী মনুংদগী ইম্ফাল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদগী পুলিসনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিস তম্না নূঙনা থোমখি। পুলিসনসু টিয়র গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং শীজিন্নখি। ইম্ফাল কোলেজ গী থৌদোক্তা পুলিস পর্সনেল ৩ অমসুং নুপীমচা মহৈরোয় অমা অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা নুপীমচা মহৈরোয় অমা ৱাস্থুরকখি।

পুলিস অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা চাউনা মূক্নরকপদগী মতম খরা টিদ্দিম লম্বীগী নোর্মেল ত্রাফিক সিষ্টমদা অকায়বা থোকখি। খোইশাওনরবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস রুমশিংদগী বেঞ্চ অমসুং দেস্কনচিংবা পুথোক্কুনা টিদ্দিম রোদকী মেদিয়ান মনাক্তা পৈশিন্দুনা মৈ থাখি। মহৈরোয়শিংনা পাঙথোক্কনি লেপ্পলম্বা কোলেজশিংগী মীখল য়ৈথোকপা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা এদ্যুকেসন (য়ু) গী দিরেক্টর রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমার রিজাইন তৌগদবনি হায়খি।

মণিপুর কোলেজদসু মহৈরোয়শিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা চাউনা মূক্নরকপদগী বি এ থর্দ সেমিষ্টর তন্নিবা ঙাঙোম মালেমঙানবা অমসুং মমতা নিংথৌজম কৌবী মহৈরোয় অনী শোক্কুনা লায়কন্নখি। মহৈরোয়শিংনা ময়ায় লম্বী থিংজিনবা য়াওনা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালগী কাসু ছো লোনশিনখি।

চপ মান্নবা মহৈরোয়শিংগী পেন্দবগী খোঙজ ংশিং চঙশিনখিবা কোলেজশিংগী মনুংদা মোদর্ন কোলেজ, থম্বালমরীক কোলেজ, থৌবাল কোলেজ, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ, নাওরেম বিরহরি কোলেজ, লিবরেল কোলেজ অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজনচিংবা য়াওখি। খোঙজ ংশিংগী মনুং চন্না কোলেজ খরগী মহৈরোয়শিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী ওফিসতা থোমজিন্নবা হোৎনখি। কোলেজ অয়াম্বগী মহৈরোয়শিংনা খোইশাওননা ঈরাং হৌরকপদগী মথং থাগী ১দা লৈঙাক্কী অমসুং এদেদ কোলেজশিং ছুটি ওইরগনি হায়না লাউথোকখি।

খোঙজং অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা মীখল অসিগী শেম শাবা পূমলোই লোইরবা মতুংদা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না নোটিশ থোরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্কুনা খা মণিপুর কোলেজ, ককচীংগী মহৈরোয়শিংনসু কোলেজ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমদি গেট ছো লোনশিনবা য়াওনা গেটতা মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা কোলেজগী ইলেক্সন য়ৈথোকপা য়ানীংদে, অথুবদা ইলেক্সন তৌবীয়ু, মহৈরোয়শিংগী রাইট মৎপীগনু হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি। অদুম ওইনমক মহৈরোয়শিংগী ঈরাং অদু ককচীং পুলিসকী টিম লাক্কুনা লাকশিনখি।

চৈরকসিদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদগীনা পুং ৯ খরা হেল্লকপা ফাওবদা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং ওইরিবা এম এস এফ, এমসু, দেসাম, কে এস এ অমসুং এইমসনচিংবগী মীহুৎ/লুচিংবশিংগা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে।

উনবা অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন অমসুং হোমগী কম্মিস্নর, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল পি এসকী ও সীসু শরুক য়াখি। নাকল অনীনা ৱারী শানরবা মতুংদা ইলেক্সন য়ৈথোকপগী নোটিফিসেন অদু থোক্লুরবনিনা লাক্কদৌরিবা ছুটি নত্তবা হায়র এদ্যুকেসন লোয়শঙগী ৱার্কিং অৱার হেক লৈরকপগা অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমা মীখল পাঙথোক্ক নবগীদমক থোক্লগনি। নোটিফিকেসন অদু থোকপদগী মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুটিনি পাঙথোক্লগা কোলেজশিংগী মীখল থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

# লৈঙাক্লা ‘হ্বাইট পেপর’ পুথোক্ত্রিবা ফাওবা ৱারী ...

*লামায় ১গী মখা...* নীংঙক নীংঙকপা থবকশিং পংতৌদা তৌরবদি কৈদৌনুংদা মায় পাক্লোই। ৱারেপ অমা লৌবদা কূপ্না নৈনরবা মতুংদা লৌবা চঙই হায়খি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হ্বাইট পেপর অমা মীয়ামদা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা কাদাগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়খি।

অমরোমদা, কাদাগী সেক্রেটরি (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি) খুন্দোংবম আনন্দনা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা, য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কাদা অমদি লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা চত্থরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখ্রে হায়রি।


ঙসি ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখিবা মফমশিংদি থিয়াম কোঞ্জিল কৈথেলদা থিয়াম কোঞ্জিল ৱিমেন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পূন্না খূৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না য়ানীংদবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী ইমা চৌধুরিময়ূম পুর্নিমাসি (মেম্বর, থিয়াম কোঞ্জিল ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন) না ফোঙদোকখিবদা লমদমসিগী মফম খুদিংদা য়ুঙৌ মরাং কায়না ফংদুনা লৈরিঙৈদা হন্দক লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অথিংবা লৌথোক্কুনা মণিপুরদা য়ুঙাং য়োনবগী অয়াবা পীখিবা অসি তশেংনা য়ানীংদে। অসিগুম্বা মীয়ামদা হেন্না অকায়বা পীরক্কদবা ৱারেপ অসি অথুবদা হন্দোকপীয়ু। হান্নদগী য়ুনা মরম ওইরগা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী নুপী কয়া লৈরিঙৈ মরকসিদা অমুক্তা হেন্না লুখ্রাবী মশীং হেনগৎনবা খোঙথাং হন্দোকপীয়ু হায়খি।

ক্যামগৈ হৈবোং মখোংদা ওল ক্যামগৈ অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী ওল ক্যামগৈ অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী মেম্বর খোমদ্রাম সরোজানা ফোঙদোকখিবদা য়ুনা মরম ওইরগা লমদমসিগী মরু ওইনা নুপী অঙাংশিংদা চত্থবা মীওৎ মীনৈগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈদুনা ৱানা খাংলিঙৈ মতমসিদা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীথোকখিবা ৱারেপ অসি অথুবদা হন্দোক্কদবনি। লোয়ননা হৌজিক ঐখোয়গী মণিপুর অসি চান-থক্লবা চেঙদগী হৌরগা হীরম কয়াদা মীপাল তাংদুনা লৈরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী ফৌথোক খরসি অমুক য়ু শুংবদা শীজিন্নখিবা তারবদি মতম চূপ্পদা ঐখোয় মীপাল তাংদুনা হিংবা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি মীয়ামনা য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৌরেম্বম অরিপাৎতসু নুংথিল পুং ২ তারকপদসু অরিপাৎ ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং কাদাগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী ৱারেপ লৌবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

## CROSSWORD-3659



**ACROSS**
1 Anaesthetic (10)
7 Country formerly part of Yugoslavia (7)
8 Neat (4)
10 Second-hand (4)
11 Turncoat (8)
13 Make a journey (6)
15 Foreigners (6)
17 Outside (8)
18 Meat from a calf (4)
21 Continent (4)
22 Boring (7)
23 Below (10)

**DOWN**
1 Not far off (5)
2 Overdue (4)
3 Brought up (6)
4 Paternal (8)
5 Bureaucracy (3,4)
6 Exonerated (9)
9 Non-stop (9)
12 Become less (8)
14 Skilled worker (7)
16 Putrid (6)
19 Historical era (5)
20 Notion (4)

Solution 3658



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4059

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 4 | | | | 6 | |
| 3 | | 5 | | 1 | 7 | | | |
| | 2 | | | | | 7 | | |
| 6 | 9 | | | | 3 | | | 7 |
| 4 | | 1 | | | | 2 | | 8 |
| 7 | | | 2 | | | | 9 | 6 |
| | | 8 | | | | | 5 | |
| | | | 6 | 2 | | 3 | | 1 |
| | 3 | | | | 8 | | | 4 |

### Solution-4058

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | 7 | 6 | 9 | 1 | 8 | 2 | 3 |
| 6 | 8 | 1 | 7 | 3 | 2 | 9 | 5 | 4 |
| 3 | 9 | 2 | 4 | 5 | 8 | 6 | 7 | 1 |
| 9 | 7 | 3 | 2 | 6 | 4 | 5 | 1 | 8 |
| 8 | 1 | 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 4 | 2 |
| 5 | 2 | 4 | 8 | 1 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 2 | 4 | 5 | 3 | 8 | 7 | 1 | 6 | 9 |
| 7 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 2 | 8 | 5 |
| 1 | 6 | 8 | 9 | 2 | 5 | 4 | 3 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

### GUWAHATI UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR TEACHING ASSOCIATE

Guwahati university Teaching Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Teaching Associate in Guwahati university. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 October 2022. Candidates can check the latest Guwahati university Recruitment 2022 Teaching Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.gauhati.ac.in recruitment 2022 page.
Guwahati university Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.gauhati.ac.in. Guwahati university selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.gauhati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Guwahati university
invites applications for recruitment of Teaching Associate
Teaching Associate
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 14 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Guwahati university
Guwahati university Recruitment 2022 Details
Company Guwahati university
Job Role Teaching Associate
Education Requirement M.A
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 23000(Per Month)
Posted on 23 Sep, 2022
Walkin Date 14 Oct, 2022
Educational Qualification: M.A. (English language Teaching) M.A. (English Language Education)
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
23000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Teaching Associate in Gauhati University.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for Gauhati University Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the Gauhati University Recruitment 2022 Notification. Gauhati University will conduct the walkin interview for Teaching Associate vacancies on 14/10/2022.
Important Dates:
Published on: 27 September 2022
Last date for application is: 14 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCHER

Assam Agricultural University Researcher Recruitment 2022: Advertisement for the post of Researcher in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 October 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Researcher Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Researcher
Researcher
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 11 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Researcher
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience Fresher
Salary 45000(Per Month)
Posted on 24 Sep, 2022
Walkin Date 11 Oct, 2022
Educational Qualification: M.Sc
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 45000(Per Month)
Age Limit: Minimum 21 years and maximum 45 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Researcher in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates who wish to join in Assam Agricultural University can walkin for the interview on 11/10/2022. The complete walkin process for Assam Agricultural University Recruitment 2022 will be available on the official notification.
Important Dates:
Published on: 26 September 2022
Last date for application is: 11 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

